# মোদিনা অনৌবা লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহনবগী ৱাফম লাউথোক্লকবা য়াই



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

চহী লোইবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙগদৌরি। নবেম্বর ৮ দা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহন-খিদ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা লৈবাক মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা মরু ওইবা ৱাফম কয়া লাউথোক্লকবা য়াই হায়না থাজনরি।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, দিসেম্বর ৩১গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা ৱা ঙাঙগনি। শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী মতাংদা ওপোজিসননা শীরকখিবা মরালগা মরী লৈনবা পাউখুম কয়া প্রাইম মিনিষ্টরনা পীগদৌরি। দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লৌখৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা মরিক চুন্না মীয়ামদা থল্লবা য়াই হায়না থাজনরি। নবেম্বর ৮ দা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা নুমিৎ ৫০ নিগী মতম পীখি অমসুং হায়রিবা মতম অদুগী মতুংদা মীয়ামগী অৱাবা পুন্নমক কোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, জান্যুৱারী ২ দা উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্নৌদা পাঙথোক্কদৌরিবা বি জে পিগী রেল্লি অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা দিমোনেটাইজেসনগা চপ মান্নবা মরু ওইবা ৱাফম অমা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোক্লকবা য়াই হায়না থাজনরি।

নুমিৎতুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোক্কদৌরিবা থৌরাং অদুনা মরম ওইরগা মীপুম খুদিংমক দিমোনেটাই-জেসনগী চৈথেং কোকহনবা ঙম্লবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মীয়াম্না বেঙ্কতগী শেল লৌথোকপগী মতাংদা থল্লিবা অথিংবা পুন্নমক নুমিৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৌথোক্লকবা য়াই হায়না থাজনরি। হৌজিক-হৌজিক মীওই অমনা এ টি এমদগী নোংমদা লুপা ২,৫০০ দগী হেন্না লৌথোকপা য়াদ্রি। বেঙ্কতগীনা চয়োল অমদা লুপা লিশিং ২৪ দগী হেন্না লৌথোকপা য়াহনদ্রি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা লৌমীশিংগী লোন কোকপীবগী ৱাফম নুমিৎ অদুদা লাউথোক্লকবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। হৌজিক ফাওবদা গভর্ণমেন্টনা কুমজা ১৯৯০ অমসুং কুমজা ২০০৮ দা অনীরক হন্না লৌমীশিংগী লোন কোকপীবা লৈখ্রে।

শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা হান্নগী অরিবা শেনয়েক পুন্নমক মশা-মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদা থমজিন্নবা লৈবাক মীয়ামদা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না জান্যুৱারী ২ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা জন ধন একাউন্ট-শিংদা লুপা লাখ ১৫ হাপচিনবীবগী ৱাফম লাউথোক্লকবা য়াই হায়রি।

মরকসিদা, অরিবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী বেঙ্কতা থমজিনবগী মতম হয়েং লোইরগনি। চৎনখিদ্রবা শেনয়েক বেঙ্কতা থমজিন-বগী মতম শাংদোকপা য়াই হায়না মীওই কয়ানা থাজনরবসু গভর্ণমেন্টনদি হায়রিবা থৌরাং অসি মতম শাংদোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়না কয়ারক হন্না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অমরোমদা, অরিবা শেনয়েক থমজিনবগী মতম লোইগদবা নুমিৎ নীনি খক্তা ঙাইরবা মতমদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙরাং ওর্দিনান্স অমা পাস তৌদুনা মথং চহীগী মার্চ ৩১ গী মতুংদা হান্নগী লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী থমজিল্লন্বা মীওইশিং চৈরাক পীবগী ৱাফম লাউথোকপা লৈখ্রে।

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খ্রে মদুদি, দিমোনেটাইজেসননা লৈবাক মীয়ামদা পীবা কান্নবশিং ময়েক শেংনা উবা ফংলগনি। অতেনবা মতমগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা টেক্স খোমগৎপগী চাং হেনগৎহনবা ঙম্লগনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, নবেম্বর ৩০ ফাওবদা সেন্ট্রেল ইন্দাইরেক্ট টেক্স কলেক্সন চাদা ২৬.২ হেনগৎলকখি। দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা দাইরেক্ট টেক্স খোমগৎপগী চাং চাদা ১৩.৬ হেনগৎলকখি। মতৌ অসুন্না অরানবা মওংদা শেল লোৎশিন্দুনা থল্লন্বা মীওইশিংদগী টেক্স খোমগৎপা ঙম্লবনিনা লৈবাক্কী চাউখৎ থৌরাং কয়ামরুম পায়খৎপা ঙম্লগনি।

# লুপা ক্রোর ৬ কী অরিবা শেনয়েক অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোক্লকন্বা ২ ফারে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

টামিল নাদুদা লৈবা বিজিনেসমেন অমগীদমক লুপা ক্রোর ৬ লোমগী অরিবা শেনয়েকশিং অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোক্লকন্বা মীওই ২ ফারে হায়না ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ঈ দিগী ওফিসল অমনা হায়খি, জে সেখর রেদ্দি কৌবা মীওই অমগীদমক অরানবা মওংদা অরিবা শেনয়েক্তগী অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোক্লকন্বা মীওই অনী প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্ট (পি এম এল এ)গী মখাদা ফারে।

মমাঙ চয়োলদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না টিরুমালা টিরুপটি দেবস্থানম (টি টি দি)গী বোর্দ মেম্বর ওইরম্বা জে সেখর রেদ্দি অমসুং চেন্নাইগী অতোপ্পা মীওই অনী পি এম এল এগী মখাদা ফাবা লৈখ্রবনি। রেদ্দি অমসুং মীওই অনীগী ময়ুমদা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা থিবা-হুন্বগী থবক চথবদা সনা কিলোগ্রাম ১৭৭ অমসুং য়াম্লবা শেনফম অমা ফাগৎপা ঙমখি। হান্নগী অরিবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীদা লুপা ক্রোর ৯৬ অমসুং অনৌবা শেনয়েক্তা লুপা ক্রোর ৩৪ মীওই অহুমদগী ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ঈ দিগী ওফিসলশিংনা দিল্লিদা বেজ তৌবা রোহিট তন্দন কৌবা উকিল অমা লুপা ক্রোর ৬০ রোমগী অরিবা শেনয়েকশিং অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোক্লকন্বগীদমক ফাখি। মীওই অদুনা কোটাক বেঙ্ককী মেনেজর অসিস কুমার অমসুং হাৱালা ট্রেদর পরস মাল লোধাগী মতেং লৌরগা হান্নগী চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোক্লকন্বনি।

অমরোমদা, দিসেম্বর ৩১ দগী চৎনহনবা হৌগদৌরিবা দিমোনেটাইজেসনগী ওর্দিনান্সতা হান্নগী অরিবা শেনয়েক থমজিল্লন্বা মীওইশিং লুপা লিশিং ১০গী ফাইন লৌবা তারবসু জেলদা থন্বগী ৱাফম লৈরোই হায়রি। ওর্দিনান্স অসিদা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর বি আই) এক্ট এমেন্দ তৌদুনা হৌজিক ফাওবদা বেঙ্কতা হল্লক্ত্রিবা হান্নগী অরিবা শেনয়েকশিং মাঙহনখিবগী ৱাফম য়াওরি।

মথং চহীগী মার্চ ৩১ মতুংদা কনাগুম্বনা অরিবা শেনয়েক থমজিল্লন্বা তারবদি চহী ৪ জেলদা থমগনি হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা জেলদা থন্বগী ৱাফম অদু ওর্দিনান্সতগী লৌথোকখি।

মরকসিদা, মীয়াম্না হান্নগী চৎনখিদ্রবা অরিবা শেনয়েকশিং বেঙ্কতা থমজিনবগী মতম হয়েং লোইরগনি।

নবেম্বর ৮ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী মখা তানা চৎনররোই হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং মশাগী একাউন্টতা হাপচিন্নবা খঙহনখিবনি।

অরিবা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপীদা লুপা ক্রোর লাখ ১৫.৪গী মনুংদা চাউরাক্না লুপা ক্রোর লাখ ১৪ রোম বেঙ্কশিংদা থমজিল্লকপা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা অরানবা মওংদা তানশিনখিবা শেনফম পুন্নমক বেঙ্কতা থমজিন্নবগী অরায়বা পাম্বৈ অমা লৈরব্রা হায়না আর বি আইনা চিংনবা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী অরিবা শেনয়েকশিং থমজিনবগী অরোইবা নুমিৎ দিসেম্বর ৩০নি হায়না লাউথোকখিবা তারবসু আর বি আইগী অখন্নবা ব্রাঞ্চ খরদদি মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা চৎনখিদ্রবা শেনয়েকশিং থমজিনবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ১৯৭৮ দা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মোরাজি দেসাইনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা শেনয়েক চৎনহন্দবগী ৱাফম লাউথোকপা লৈখ্রবনি। গভর্ণমেন্টনা হন্দক শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মীয়াম্না অরিবা শেনয়েক্তগী অনৌবা শেনয়েক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। নুমিৎ খুদিংগী বেঙ্ক অমসুং এ টি এমশিংগী মমাঙদা ক্যু শাংনা লেপ্পখি। হৌজিক্তি বেঙ্ক অমসুং এ টি এমশিংগী মমাঙদা মীয়াম্না পরেং শানা লেপ্পগী চাং তপ্না-তপ্না হন্থরক্লে।

# সমাজৱাদি পার্টি নাকপাক তানরে; অখিলেশ য়াদবনা মীরেপ ১৬৭ কী মিং লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অখিলেশ য়াদবনা মহাক্কী সপোর্টরশিংবু লাক্কদৌরিবা এসেম্বলি ইলেক্সনগীদমক শেম শানবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মীরেপ ১৬৭ কী মিং লাউথোকখ্রে।

মমাঙদা পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা মহাক্কী অপোকপা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা কনামত্তা তানরম্বা তৌদনা মীরেপ ৩২৫ গী মিং লাউথোকখিবদা অখিলেশনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

হন্দক্কী মতাং অসিদা অখিলেশ য়াদবনা পার্টিগী মতেং অমত্তা ফংদ্রবসু নাইতোম মীখল থেংনরগনি হায়না মহাক্না নক্নবা ছোর্স অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোকখি। অখিলেশনা ঙসি মহাক্কী অপোকপা মুলায়ম সিংহ য়াদব অমসুং মখুরা শিবপাল য়াদবকা লোয়ননা মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লকবা মতুংদা য়ানবা পুরকপা ঙমদবদগী মীরেপ ১৬৭ কী মিং লাউথোরকখিবনি।

পনবা য়াবদি, সমাজৱাদি পার্টিনা উত্তর প্রদেশকী মীখল মমাঙদা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা এল্লাইন্স শেম্বগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৩২৫কী মমিং লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা হায়খি, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা সমাজৱাদি পার্টিনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নদনবা ফিরেপ লৌরে। মীরেপ ৩২৫গী মিং লাউথোকখ্রবা মতুংদা মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা লেমহৌরিবা মীরেপ ৭৮ গী মমিং লাউথোক্লগনি।

পাউগী মীফম অদুদা মুলায়মগী মনাওনুপা শিবপাল য়াদবসু শরুক য়াখি। অদুমওইনমক চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা মহাক্কী মচানুপা অখিলেশ য়াদবতি পাউমীশিংগা উনবদা শরুক য়াখিদে। পার্টিগী লুচিংবশিংনা য়াম্না কন্না য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরবসু শিবপাল অমদি অখিলেশ য়াদবনা মতম খরগী মমাঙদগী হীরম কয়াদা মোত মান্নদনা লাকখিবনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অখিলেশ য়াদবনা হন্দক্কী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৪০৩গী মিং মুলায়ম সিংহ য়াদবতা পীশিনখি।

অমরোমদা, শিবপাল য়াদবনা হায়খি মদুদি, মাঙজৌননা মীরেপ ওইগদবা মীওই ১৭৫ গী মতাংদা য়ানবা পুরকপা লৈখ্রবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা হোংদোক-হোংজিন তৌবা ঙম্লরোই।

সমাজৱাদি পার্টিনা উত্তর প্রদেশকী এসেম্বলি ইলেক্সনদা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নররোই হায়না লাউথোরকখ্রবনিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা এল্লাইন্স শেম্নবগী মতাংদা হোৎনরিবা থৌরাং অমা অরেম্বা তাগদৌরি।

কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনা মীখল মমাঙদা এল্লাইন্স শেম্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবনি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাজ বাব্বরনা হায়খি মদুদি, সীট য়েন্নবগী মতাংদা সমাজৱাদি পার্টিগা য়ানবা ঙমদবা মরম্না হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা নাইতোম মীখল থেংননবা ফিরেপ লৌরে।

অমরোমদা, ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, সমাজৱাদি পার্টিনা কোংগ্রেস, অজিট সিংহগী রাষ্ট্রিয়া লোক দল অমদি অতোপ্পা পার্টি খরদা সীট ১০০ পীবগী ৱাফম হৌদোরকপদা কোংগ্রেসনা য়াখিদবা মরম্না মীখল মমাঙদা এল্লাইন্স শেম্বা ঙমখিদবনি।

# প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা ইন্দিয়ন হিষ্টরি কোংগ্রেসকী ৭৭শুবা মীফম হৌদোকখ্রে




টিরুবনন্তপুরম, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা টিরুব-নন্তপুরমদা ইন্দিয়ন হিষ্টরি কোংগ্রেসকী ৭৭শুবা মীফম হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎলকপদা চিংনবা অমসুং চমন্নবা পোকপা হায়বসি হৌনশানি। মীপুম খুদিংমক চিংনবা পোকপগা লোয়ননা অনৌবা থৌরাংদা য়ানিংদবা ফোঙ-দোক্লবগী রাইট পীফম থোকই। হায়রিবা থৌওংশিং অসি দেমোক্রেসিগী তঙাইফদবা য়ুম্বী ঙাক্তনি।

ইন্দিয়ন হিষ্টরি কোংগ্রেসকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হিষ্টরিয়নশিংনা খুন্নাইদা লৌরিবা থৌদাং য়াম্না মরু ওই। কনাগুম্বনা অরানবা পুৱারী শেম্নবা হোৎনরকপদা মীয়াম্না অয়াবা পীফম থোক্তে। ইন্দিয়ন হিষ্টরি কোংগ্রেসনা মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অশেংবা পুৱারী রেকোর্দ তৌবদা মখা তানা মরু ওইবা থৌদাং লৌফম থোকই।

কন্সটিট্যুসননা পীরিবা খ্বাইদগী মরুওইবা ফন্দামেন্টেল রাইটশিংগী মনুংদা ফ্রীদম ওফ স্পিচসু অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, থৌদোক অমগী মতাংদা মীওই ফুরুপকী মরক্তা মোত মান্নদবা তারবসু অচুম্বা পুৱারী অমা রেকোর্দ তৌবা মথৌ তাই।

# গুজরাটকী পঞ্চায়ট মীখলদা বি জে পি, কোংগ্রেসনা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌনখ্রে



অহমেদবাদ, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা গুজরাটকী গ্রাম পঞ্চায়ট ৮,৬২৪গী মনুংদা গ্রাম পঞ্চায়ট ২৮৯১ গী ফল খঙবা ঙমখ্রে।

মীখলগী ফল লাউথোরকপা হৌখিবগা বি জে পি অমদি ওপোজিসন কোংগ্রেসকী সপোর্টরশিংনা মীখলদা মখোয়-মখোয়গী পার্টিনা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌনখি।

বদোদারা অমসুং বঞ্চকন্থা দিষ্ট্রিক্টকী মফম খরদা য়েংথীনবা মীরেপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লকবগী থৌদোক কয়ামরুম লৈখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

গুজরাটতা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা বি জে পিগী সপোর্টরশিংনা হায়খি মদুদি, দিমোনেটাইজেসননা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা পাঙথোক্লিবা গ্রাম পঞ্চায়টকী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকপা ঙম্লে।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা ৱাফম অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৌখৎলকপা মথোং হুক্তবা থৌরাংশিংবু য়ানিংদবগা লোয়ননা রাহুল গান্ধীগী থৌশিলদা শৌগৎলকপা মরম্না মীখলদা কোংগ্রেসকী মীরেপ অয়াম্বা মায় পাক্লে।

গ্রাম পঞ্চায়টকী মীখলদা কেন্দিদেট-শিংনা পার্টিগী সিম্বোলদা মীখল থেংনবা মথৌ তাদে। ভোটরশিংনা ৱার্দ অমদা সর্পঞ্চ অমসুং পঞ্চায়টকী মেম্বর খন্নবগীদমক অনীরক ভোট থাদবগী মথৌ তাই। মীখল অসিদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) শীজিন্নদবা মরম্না ভোট মশীং থীবদা মতম শাংনা চঙগদৌরি।

ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসল অমনা হায়খি, ঙসি নুংথিল গ্রাম পঞ্চায়ট ২,৮৯১ গী ভোট মশীং থীবা লোইরে। বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসনা হৌজিক ফাওবদা মখোয়-মখোয়গী মীরেপনা মায় পাক্লে হায়না ক্লেম তৌনরক্লি।

মীখলদা মায় পাক্লবা মীওই চাদা ৮০ বি জে পিগী মীরেপ ঙাক্তনি হায়না পার্টি অসিনা ক্লেম তৌরকখি। বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী স্পোক্সপার্সন ভারত পান্দিয়ানা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা বি জে পিগী মীরেপ চাদা ৮০ মায় পাক্লে। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী খুঙ্গং পুন্নমক চাউখৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎখিবগা লোয়ননা ব্লেক মনি অমসুং জালি নোট থিংনবগী পান্দমদা শেলয়েক অনী চৎনহনখিদবদগী মীয়াম্না বি জে পিদা ভোট পীরকখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা মায় পাক্লবা মীওই চাদা ৭০ রোম কোংগ্রেসনা থাদোকপা মীরেপ ঙাক্তনি। ষ্টেট কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ভারত সিনহা সোলানকিনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, গুজরাটতা পাঙথোক্লিবা গ্রাম পঞ্চায়টকী মীখলদা বি জে পি মায়থীরে হায়বা মশানা য়াজগদবনি। শেলয়েক অনী চৎনহনখিদবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা মীওই অয়াম্বনা কোংগ্রেসতা ভোট পীখিবনি।

# স্নেপ দিলনা রিলাইন্স জিওগী সিম কার্দ হোম দেলিভরি তৌবা হৌরগনি




ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৯(এজেন্সী):

অনৌবা চহী লাকপগা ইরোয়ননা ওনলাইন রিটেল সাইট স্নেপ দিলনা রিলাইন্স জিওগী সিম কার্দ হোম দেলিভরি তৌবা হৌরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, কম্পেনিনা স্নেপ দিলগী কষ্টমরশিংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা ঈ-মেইল থাবা হৌরে। স্নেপ দিলদগী ঈ-মেইল ফংবা মীওইশিংনা শেল অমত্তা তিংদনা রিলাইন্স জিওগী সিম কার্দ ফংলগনি। অদুমওইনমক সিম কার্দ পুরকপা মতমদা কষ্টমরশিংনা মশা-মশাগী আধার কার্দ উৎপা মথৌ তাই। অনৌবা খুদোংচাবা অসি লৈবাক্কী অখন্নবা মফম খরদা ফংহনবা হৌখ্রে। শুপ্নগী থা ৩ খক্কী মনুংদা সবস্ক্রাইবর মিলিয়ন ৫২ য়ৌখ্রবা রিলাইন্স জিওগী মতাংদা রিলাইন্স কম্পেনিগী মকোক মুকেশ অম্বানিনা দিসেম্বর ১ দা অনৌবা থৌরাং অমা লাউথোক্লদুনা মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা ৱেলকম ওফরগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি, মথং চহীগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা রিলাইন্স জিওগী সবস্ক্রাইবর মিলিয়ন ১০০ য়ৌরবা য়াই।

মুকেশ অম্বানিনা হৌখিবা সেপ্টেম্বর থাদা রিলাইন্স জিওগী ৱেলকম ওফর লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুংদা শুপ্নগী নুমিৎ ২৬ কী মনুংদা সবস্ক্রাইবর মিলিয়ন ১৬ য়ৌবা ঙমখি।

লোঞ্চ তৌবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৮৩গী মনুংদা অপূনবা সবস্ক্রাইবর মিলিয়ন ৫০ য়ৌবা ঙমখি। মথং চহীগী মার্চ ফাওবা ৱেলকম ওফর শাংদোকহনখ্রবনিনা হায়রিবা মতম অদু ফাওবগী মনুংদা অপূনবা সবস্ক্রাইবর মশীং মিলিয়ন ১০০ য়ৌরগনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। অদুবু টেলিকোম ওপরেটর অসিনা কষ্টমরশিংদগী শেল লৌবা হেক হৌবগা অথুবা মতমদা কষ্টমর মশীং হন্থখিবা য়াই হায়রি।

অমরোমদা, রিলাইন্স জিওনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি টেলিকোম রেগ্যুলেটরি ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।


SCM ꯁ꯭ ... S.CHAOBA MEMORIAL BOARDING SCHOOL

SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)

NO DEPOSIT SYSTEM
NO LOADGING CHARGES

ADMISSION OPEN

VAN SERVICE WANTED




admission fees will be refunded if no improvement of the boarder by holy vacation

+91 8974 052 662



Founder Principal
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

Fee Structure for Boarders to be paid at the time of Admission for boarders

| Annual Fee Structure | | | | | Monthly |
|---|---|---|---|---|---|
| Class | Admission | School Fee | Caution Money | Total(1 year) | Mess Fee |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | 400x12=4800 | 500 | 6900 | 2700 |
| Class III - Class V | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 2900 |
| Class VI - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 3000 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | 600x12=7200 | 500 | 10900 | 3100 |

Fee Structure for Day-scholars

| Dayschool students | Annual Fee Structure | | Monthly |
|---|---|---|---|
| Class | Admission | Other Expenses | Total |
| Pre-Nursery | FREE | 500(games+exam) | 400 |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | NA | 400 |
| Class III - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | NA | 500 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | NA | 600 |

Facilities :
1. Free washing clothes for all classes
2. Medical care for all students by two specialist doctors from founder's family 24X7
3. Free monthly school tuition fee for one out of three students of same parents.
4. Half school tuition fee for one out of two students of the same parents.
5. Facility for YOGA,Thang-ta classes at the school campus.
6. Free tution fee of class IX & X talented students scoring 80% marks.
7. Scholarship for first position holders of every classes.
8. One boarding master for every 25(Twenty five) students with strict discipline.
9. Founder and Boarders take meal on the same dinning table and available aqua fresh water.

HL-B/3548/21/12-20/01



ꯇꯦꯡꯂꯥꯡ/ লায়েংজরি — UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3513/03/12-02/01